# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, TUESDAY, DECEMBER 17, 2019 **PAGE 7**




*ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিলনা ঙসি থাদোরকখিবা টেষ্ট বেটসমেনগী রেঙ্কিংদা নম্বর ৱান পোজিসন্দা লৈরিবা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলি*

*মালেমগী চেছ মশান্নগী নুপাগী কাঙলূপ্তা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইবা ঙম্লিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন নোরৱেগী গ্রান্দ মাষ্টর মেগনস কার্লসন*



## মোহন বগান অমসুং পঞ্জাব এফ সি মায় পাক্কুনা আই–লীগকী পোইন্ট টেবলদা হাইগৎপা ঙমখ্রে



*কোলকটা, দিসেম্বর ১৬ (এজেন্সি) ঃ*

ইন্দিয়াগী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা হেরো আই–লীগকী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচশিংদা মায় পাক্কুনা মোহন বগান অমসুং পঞ্জাব এফ সি পোইন্ট টেবলগী রেঙ্কিংদা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

মোহন বগাননা হেরো আই–লীগকী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা গোকুলাম এফ সিবু গোল ২–১ দা থোইদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা অনীশুবা মফমদা হাইগৎপা ঙমখি।

মোহন বগান অমসুং গোকুলাম কেরলানা শান্নখিবা লীগ মেটচ অসি হেক হৌবদগী য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী মিনিট ২০ হেন্না হৌজিনখ্রবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নদনা লাকখি।

মেটচকী ২৩শুবা মিনিটতা য়ুম্বু টিম ওইখিবা মোহন বগাননা পেনাল্টি অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু টিম অসিগী ষ্ট্রাইকর ফ্রান গোঞ্জালেজনা গোল ওন্থোক্তুনা ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

গোল শোথরিবা গোকুলাম এফ সিগী শান্নরোইশিংনা মোহন বগানগী মায়কৈদা এটেক কয়া চথদুনা গোল হন্দোক্নবা হোৎনরকখি। মখোয়গী এটেকশিং অদুগী মনুংদা মেটচকী ৪৫শুবা মিনিটতা পেনাল্টি অমা ফংখি। পেনাল্টি কিক অদু টিম অসিগী শান্নরোই মার্কস জোসেফনা গোল ওন্থোক্তুনা অহানবা হাল্ফকী শান্নবা লোইশিনখিবা ফাওবদা গোল ১–১ দা মান্নখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ মেটচকী ৪৮শুবা মিনিটতা মোহন বগানগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা টিম অসিগী অহানবা গোল চনখিবা ফ্রান গোঞ্জালেজনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মখা তানা শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী গোল অমত্তা চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখি।

মেটচকী অপীবা মতম লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখিবদগী মেটচ অসি মোহন বগাননা গোকুলাম এফ সিবু গোল ২–১ দা থোইদুনা পোইন্ট ৭ ফংদুনা টেবলগী অনীশুবা পোজিসনদা লৈখি।

হেরো আই–লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা পঞ্জাব এফ সিনা ইন্দিয়ান এরোজবু গোল ১–০ দা থোইদুনা পোইন্ট ৭ ফংদুনা গোল দিফেরেন্সতা মোহন বগানদগী হন্থদুনা অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈবা ঙমখি।

পঞ্জাব এফ সি অমসুং ইন্দিয়ান এরোজনা শান্নখিবা লীগ মেটচ অসি য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী অহানবা হাল্ফকী শান্নবা লোইশিনখিবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী গোল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদসু মতম খরা গোল অমত্তা চন্নদনা লাকখি। মেটচকী ৭৯শুবা মিনিটতা পঞ্জাব এফ সিগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা এসিয়র দিপান্দানা মেটচকী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু ইন্দিয়ানা এরোজবু গোল ১–০ দা থোইবা ঙমখি।

## ইন্দিয়াগী নুপী টিম্না মায় পাক্তবা য়াদবা মেটচ ওইনা ঙসি থাইলেন্দগা শান্নরগনি, স্বিদেন ফাইনেল চঙখ্রে

*মুম্বাই, দিসেম্বর ১৬ (এজেন্সি) ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিম্না স্পেন অমসুং থাইলেন্দগা শান্নরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌনবগীদমক হয়েং থাইলেন্দগা শান্নগদৌরিবা মেটচ অসি মায় পাক্তবা য়াদবা অমা ওইরি, স্বিদেনগী টিমদি ঙরাং শান্নখিবা মেটচতা থাইলেন্দবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রবনি।

ইন্দিয়া অমসুং থাইলেন্দগী টিম স্বিদেনগা শান্নখিবা মেটচশিংদা মায়থিবা নংখ্রবনি। ইন্দিয়াগী টিম স্বিদেনগী মখুত্তা গোল ০–৩ দা মায়থিবা নংখি অদুগা থাইলেন্দগী টিম্না স্বিদেনগী মখুত্তা গোল ১–৩ দা মায়থিবা নংখিবনি।

ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিম্না হয়েং থাইলেন্দগা শান্নগদৌরিবা অহুমশুবা অমসুং অরোইবা লীগ মেটচ অসিদা মায় পাকপা ঙম্নবা ইন্দিয়া টিমগী হেদ কোচ থোমাস দেন্নরবিনা শান্নরোইশিংদা চপ চানা থেংননবা খঙহনখ্রে।



মেটচ অসি মায় পাক্নবগীদমক ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা লাল্লোং পূম্নমক য়াৎপা লোইখ্রে, ঐখোয়না করিগুম্বা মায় পাকপা ঙম্লবদি ফাইনেল শান্নবা ঙমগনি, শান্নরোইশিংনা চেলেঞ্জ অসিগীদমক নীংথিনা শেম শাদুনা লৈগদবনি, থাইলেন্দগী টিমদা অফবা শান্নরোই কয়া য়াওরি অদুবু ইন্দিয়াগী টিম্না মায় পাকপা য়াবগী খুদোংচাবা চাওনা লৈরি হায়না টিম অসিগী হেদ কোচ থোমাস দেন্নরবিনা ফোঙদোকখি।

হেদ কোচ থোমাস দেন্নরবি চহী অসিগী নবেম্বর থাদা ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিমগী হেদ কোচ ওইবগী থৌদাং পুরকখিবনি। মহাক্কী এক্সপরিয়েন্সনা শান্নরোইশিংনা প্রেসর করম্না মায়োক্নগনি হায়বগী মতাংদা তাকপী তন্বীখ্রে, শান্নবা হায়বসি প্রেসর শোয়দনা লৈগনি।

ইন্দিয়া, স্বিদেন অমসুং থাইলেন্দগা শান্নরিবা ফ্রেন্দলি টুর্নামেন্ট অসিদগী প্রেসর নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমদুনা মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ্তা য়াম্না কান্নবা ফংহল্লগনি হায়না কোচ থোমাস দেন্নরবিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিম অফবা টিম্নি, অতেনবা মতমগী মনুংদা ইন্দিয়াগী টিম য়াম্না ফগৎলে। থাইলেন্দ অমসুং ইন্দিয়ানা হয়েং শান্নগদৌরিবা মেটচ অসি য়াম্না নুংঙাইবা অমা ওইগনি হায়না থাইলেন্দগী কোচ সারাৱুট সুকসারাংনা হায়খি। অসিগুম্বা টুর্নামেন্ট অমা শিনবগীদমকসু কোচ অসিনা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা থাইলেন্দবু ইনভাই তৌরকপদগীদমক কোচ সারাৱুটনা এ আই এফ এফপু থাগৎপা ফোঙদোকখি। টুর্নামেন্ট অসিদা য়ুরোপকী টোপ টিম স্বিদেন অমসুং মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ু–১৭ ৱুমেন’স ফিফা ৱার্ল্ড কপকী য়ুম্বু ওইগদৌরিবা ইন্দিয়াগা পুন্না শান্নবা ফংবা অসি য়াম্না কান্নবা অমনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

## ৱিম ফিসেট্টিনা ওসাকাগী কোচ ওইরগনি

*টোকিও, দিসেম্বর ১৬ (এজেন্সি) ঃ*

বেলজিয়ম মচা ফিসেট্টিনা টেন্নিস মশান্নগী নুপীগী সিঙ্গলসতা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্লবী জপানগী নাওমী ওসাকাগী কুমজা ২০২০গী কোচ ওইরগনি। সিজন অসিগী লেমহৌরিবা মতমশিং অসিগী ওইনদি ওসাকাগী মপাগা লোয়ননা লৈমিন্নখিগনি হায়রি।

জপানগী নাওমী ওসাকা চহী অসিদা পাঙথোকখিবা য়ু এস ওপনগী মরিশুবা রাউন্দদা স্বিটজরলেন্দগী শান্নরোই বেলিন্দা বেন্সিক্কী মখুত্তা মায়থিহৌদুনা টাইটল দিফেন্দ তৌবা ঙমখিদবনি।

ওসাকা য়েৎথংবা পান্মোম শোক্তুনা দব্লিয়ু টি ফাইনেলসতা শরুক য়াবা ঙমখিদবনি। লাক্কদৌরিবা অনৌবা সিজনগী জনুৱারী থাদা ওসাকানা ব্রিজবেন ইন্টরনেসনেলদা অহানবা ওইনা শরুক য়াগনি।

নাওমী ওসাকাগী নৌনা কোচ ওইগদৌরিবা বেলজিয়ম মচা ৱিম ফিসেট্টি মমাঙদা কিম ক্লিজষ্টর্স, ভিক্টোরিয়া অজারেনকা, এঞ্জেলিক করবর অমসুং সাইমোনা হালেপকী কোচ ওইরমখি।

## টেষ্ট বেটসমেন রেঙ্কিংদা কোহলি মকোক্তা লৈরি

*দুবাই, দিসেম্বর ১৬ (এজেন্সি) ঃ*

ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিলনা ঙসি থাদোরকখিবা টেষ্ট বেটসমেনগী রেঙ্কিংদা ইন্দিয়াগী নুপা ক্রিকেট টিমগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা নম্বর ৱান পোজিসনদা লৈবা ঙম্লি।

ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা পুন্না পোইন্ট ৯২৮ ফংদুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী বেটসমেন ষ্টিভ স্মিথতগী পোইন্ট ১৭ হেন্দুনা নম্বর ৱান পোজিসন্দা লৈবা ঙমখিবনি। ওষ্ট্রেলিয়াগী বেটসমেন ষ্টিভ স্মিথ ন্যু জিলেন্দগা শান্নখিবা অহানবা টেষ্ট মেটচতা মথংশিংনা রন ৪৩ অমসুং ১৬ লৌবা ঙমখি। অদুবু মেটচ অসি ওষ্ট্রেলিয়ানা রন ২৯৬ তা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী বেটসমেন চিটেশ্বর পুজারা (৭৯১) অমদি অজিনক্য রহানে (৭৫৯) টেষ্ট বেটসমেনগী রেঙ্কিং লিষ্ট অসিদা মথংশিংনা মরিশুবা অমসুং ৬শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙম্লি।

পাকিষ্টানগী বেটসমেন বাবর আজম টেষ্ট বেটসমেনগী রেঙ্কিং অসিদা অহানবা ওইনা টোপ টেনগী মনুং চনবা ঙমখ্রে। মহাক্না হান্না লৈরম্বা ১৩শুবা মফমদগী ৯শুবা পোজিসন্দা হাইগৎপা ঙমখিবনি।

পাকিষ্টানগী বেটসমেন বাবর আজম টি–২০ বেটসমেন রেঙ্কিংদা নম্বর ৱান পোজিসন্দা লৈরিবনি লোয়ননা ও দি আইগী বেটসমেন রেঙ্কিংদসু অনীশুবা মফমদা লৈরি। ইন্দিয়াগী বোল্লর জস্প্রিট বুমরাহ শোক্তুনা মেটচ খরা শান্নবা ঙমখিদবদগী টেষ্ট বোল্লিংদা ৬শুবা পোজিসন্দা হন্থখ্রে।

## পেরিস সেন্ট জরমেননা সেন্ট ইটেনিবু থোইদুনা লীগে ৱানগী টেবলদা মকোক থোংদুনা চৎলি

*পেরিস, দিসেম্বর ১৬ (এজেন্সি)ঃ*

ফ্রান্সকী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লীগে ৱানগী ঙসি শান্নখিবা ১৭ শুবা রাউন্দগী মেটচতা পেরিস সেন্ট জরমেননা সেন্ট ইটেনিবু ৪–০ দা মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মকোক থোংদুনা চৎপা ঙম্লি।

মেটচ অসিগী ৯ শুবা মিনিটতা পেরিস সেন্ট জরমেনগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা লিন্দ্রো পরেদেসনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ঙন্না মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ২৫ শুবা মিনিটতা সেন্ট ইতেনিগী শান্নরোই জিন য়ুদেস অহোলৌ চৎন পথাপকী ৱাংমদা শান্নরুবদগী মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা রেদ কার্দ উৎতুনা মেটচকী মপালদা থোকহনখি। শান্নরোই অমা ৱাৎপগী খুদোংচাবা লৌদুনা পেরিস সেন্ট জরমেনগী শান্নরোইশিংনা এটেক মথং মথং চথরকখি। অদুবু সেন্ট ইতেনিগী দিফেন্দরশিংনা ফজনা ময়োক্নখিবদগী অহেনবা গোল হাপচিনবা ঙমহনদনা থমখি।

শান্নবগী ৪৩ শুবা মিনিটতা পেরিস সেন্ট জরমেনগী শান্নরোই কাইলিয়ান মবাপ্পেনা গোল অমগা চন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোয়শিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা পেরিস সেন্ট জরমেনগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চথদুনা অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎন্নরকখি। মখোয়গী হোৎনজমনগী মহে ওইনা মেটচকী ৭২ শুবা মিনিটতা টিম অসিগী শান্নরোই মাওরো ইকার্দিনা গোল অমগা হাপচিন্দুনা ৩–০ দা হেনল্লগা মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিনলকখি।

মেটচকী মতম লোয়গদবা মিনিট ১ ৱাংলিঙৈদা পেরিস সেন্ট জরমেনগী কাইলিয়ান মবাপ্পেনা গোল অমগা চনশিন্দুনা মখোয়না সেন্ট ইতেনিবু ৪–০ দা মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা পূন্না পোইন্ট ৪২ ফঙদুনা মকোক থোংদুনা চৎপা ঙমখি।


## SACRED HEART HR. SEC. SCHOOL

### POROMPAT, OPP. DDK IMPHAL

Recognised by the BOSEM & COHSEM

# ADMISSION OPEN

### FOR THE ACADEMIC SESSION 2020
### FOR THE CLASSES PRE-NRY TO CL-VIII

With the completion of 30 years of service in the field of education, School is pleased to announce SPECIAL CONCESSION for admission to NURSERY & PRE-NURSERY.

**Plz. Contact School Office for more details during School hours. Sd/- Principal**

SL/5587/6 Dec.+ 15 Days


GOVERNMENT OF MANIPUR
**DIRECTORATE OF HANDLOOMS & TEXTILES**

**N O T I C E**

Imphal, the 3rd December, 2019

No.HL-79/H&T/2017: It is to notify that **"LENGYAN"** with the basic colour of white, red, and black in the similar pattern of **"LEIRUMPHEE"** woven in 40s to 120s cotton yarn both in warp & weft in reed count of 56s ST to be introduced for official use and other purposes in Manipur.

Therefore, suggestions/objections in writing from all well wishers, Entrepreneurs and Weavers, if any, to the introduction of similar pattern of LEIRUMPHEE as "LENGYAN" for official uses and other purposes in Manipur, are invited on or before 20.12.2019.

*Sd/-*
Director of Handlooms & Textiles,
Manipur

*SL/B (DIPR)/17*

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE OF VETERINARY & A.H. SERVICES**

No. 1/PLG(BE-SA)/2015-Vety(Pt.)    Imphal, the 16th December, 2019

**"শেংদোকচবা"**

হৌখিবা তাং ১৪-১২-২০১৯ ইংগী নুংতিগী ফোংবা সনা লৈবাকপাউ-চেগী অহানবা লামায়দা ইবিরকপা "মিনিষ্টরগী মচানুপী চেননবা মল্টি ক্রোর স্কাম সি বি আইদা থিগৎহনবীনবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরদা তকশিনখ্রে" হায়রিবা ৱাফম অসিগী মতাংদা দিপাটমেনট অসিনা মখাগী ৱাফমশিং অসি শেংদোকচরি :

মদুদি দিপাটমেনট অসিগী হিদাক লাংথক লৈননবা শুপনতগী Rs. 273/- lakhs (Rupees two crores seventy three lakhs) খক্কী ই-টেনদর তৌদুনা অপাম্বা ফার্ম নত্রগা এজেন্সিশিংদা ইনভাইত তৌখি। মসিদা ফার্ম নিপালনা মাইপাকখি এম /এস মুআনচিং এজেন্সি হাইরিবা ফার্ম অসিদা দিপাটমেনটদগী শুন্তগী Rs. 1,59,61,000/- (Rupees one crore fifty nine lakhs sixty one thousand) গী সপ্লাই ওদর ফংদুনা ফার্ম অসিগী মরি লৈননবা বেঙ্ক একাওনটতা হায়রিবা শেনফম অসি চংখি হায়বসি Department of Taxes vide letter No. TAX/4(48)/GST-VEFT/2018 dt. 8/11/2019 অসিনশু য়াবিখ্রে। হায়রিবা ফার্ম অসিদা দিপাটমেনটনা Rs. 12,96,83,125/- (Rupees twelve crores ninety six lakhs eighty three thousand one hundred twenty five) অসি কৈদৌঙৈদা পিখিবা লৈতে। মসি টাইপোগ্রাফিকেল মিস্তেক অমনা থোকহনখিবনি হায়বসি মথক্তা পনজখ্রিবা Department of Taxes কী letter অসিদা ময়েক শেংনা পনবিরকখ্রে। অরোইবদা, পনজনিংবদি অপুনবা টেনদর তৌখিবগী শেনফম Rs. 273/- lakhs (Rupees two crores seventy three lakhs) খক্কী মনুংদগী Rs. 12,96,83,125/- (Rupees twelve crores ninety six lakhs eighty three thousand one hundred twenty five) অসি এম /এস মুআনচিং এজেন্সিদা পিখি হায়বসি ওইথোকপা য়াদবা ৱাফমনি।

খঙহনজরিবা :
**ঐচ. চাওবা সিংহ**
ডাইরেক্তর, ভেটেরিনরি দিপার্টমেন্ট, মনিপুর

*SL/5618/17*

### ক্রোসৱার্দ ৩৭১ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| B | A | H | | P | L | I | E | | D | E | R | M | A | L |
| A | L | A | | C | E | N | T | E | R | P | I | E | C | E |
| S | T | R | I | P | E | S | O | N | U | S | F | L | A | G |
| E | A | D | S | | | O | N | O | | | F | E | S | S |
| | | T | R | E | F | | | | I | M | S | E | T | |
| Y | A | O | | M | A | C | R | A | M | E | | | | |
| E | N | G | L | I | S | H | A | L | P | H | A | B | E | T |
| A | N | E | T | | T | A | N | I | A | | R | E | P | O |
| H | I | T | C | H | C | O | C | K | S | S | T | E | P | S |
| | | | | R | A | S | H | E | S | T | | S | S | S |
| | C | I | D | E | R | | | | E | D | I | T | | |
| A | O | N | E | | | A | D | J | | | D | I | E | U |
| Q | U | E | E | N | O | F | D | I | A | M | O | N | D | S |
| U | N | P | R | I | N | T | A | B | L | E | | G | I | N |
| A | T | T | E | S | T | | Y | E | L | L | | S | E | A |

GOVERNMENT OF MANIPUR
MEDICAL DIRECTORTATE
-----

NOTIFICATION
Imphal, the 16th December, 2019

No.G/MNC/2019-DHS: In continuation of this directorate notification of even number dated 24/05/2019 and 11/12/2019, the Walk-in-Interview for contract engagement to the post of (1) One **Office Assistant-cum-Computer Operator** and (2) One **Peon-cum-Sweeper** for Manipur Nursing Council will be held on **21/12/2019** at Manipur Nursing Council.

All the candidates are instructed to bring all his/her relevant documents in original including Admit Card, Educational /Technical Certificates, OBC/SC/ST certificates etc. otherwise relevant will not be entertained for the Interview.

**Time: 9.30 a.m. to 4 p.m.**

Sd/-
(Dr. K. Rajo Singh)
Director of Health Services, Manipur

*SL/B/17 &18*

GOVERNMENT OF MANIPUR
MEDICAL DIRECTORTATE
----

**NOTIFICATION**
Imphal, the 16th December, 2019

No.G/GNM SCHOOL(TBL)/DHS-2018: In continuation of this directorate notification of even number dated 02/01/2019, 29/05/2019 & 12/08/2019, Written Test Examination for direct recruitment to the post of (1) Librarian, (2) Lower Division Clerk, (3) Stenographer Grade-III, (4) Driver (Light) and (5) Grade-IV/MTS for GNM School, Thoubal will be held on **22/12/2019 (Sunday)** at **T.G. Higher Secondary School, Imphal.**

Candidates are informed to report on or before **9.30 a.m.** at the Examination Centre on **22/12/2019 (Sunday).** No candidates will be allowed to the examination centre without original Admit Card. Only **Blue and Black Pens** will be allowed in the Examination.

Sd/-
( Dr. K. Rajo Singh )
Director of Health Services, Manipur

*SL/B/17,18 & 19*